হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওগষ্ট ২৭, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৫১শুবা মশীং

# কোর্টকী ৱায়েলদা খুরৌ

## পুকচেল শেপ্পা, খোয়বা য়াওরি

মণিপুরদা লো-এনফোর্সিং এজেন্সী ময়াম লৈরে। এজেন্সীশিং অসিগী মনুংদা লো ঙাক্তবা, থুগাইবনি হায়বা মীওইশিংবু ফাবা/পূনবগী পাৱর লোইনা শিন্নরবসু অদুগুম্বা এক্ক্যুজদ্ নৎত্রগা ওফেন্দরশিং অদুগী মথক্তা প্রোজিক্যুট তৌবা ঙম্বা এজেন্সীশিংদি খরা খক্তনি। হায়বদি ষ্টেটকী লো-এন্দ-ওর্দর মেন্টিনেন্স অমসুং কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসনশিংগীদমক দিপ্লোই তৌদুনা শীজিন্নরিবা অসাম রাইফলস, সী আর পি এফ, বি এস এফনচিংবা সেন্ত্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সেস (সী পি এম এফ) শিংদা কনাগুম্বা মীওই অমা ওফেন্দর ওইরবসু মহাক্কী মথক্তা প্রোজিক্যুট তৌনবগী ওথোরাইজ তৌদে। আর্মিদসু তৌদে। লো থুগাইরে হায়দুনা মখোয়না ফাবা-পূনবা মীওইশিং মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনশিংদা পুং ২৪গী মনুংদা শিন্নগদবনি। মখোয়না শিন্নবদা লোয়নরকপা রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎকদবনি। অসুম্মাইনা লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিংগী মনুং চল্লিবা আর্মি অমসুং সী পি এম এফশিংনা এক্ক্যুজদ্ অমসুং ওফেন্দরশিংনি হায়দুনা শিন্নরকপা মীওইশিংগী মথক্তা পুলিসনা প্রোজিক্যুট তৌবা ঙম্বগুম্না প্রোজিক্যুসনগী থবক পাঙথোকপা ঙম্বা অতে এজেন্সীশিংসু লৈরি। মখোয়গী মনুংদা ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি করপসন পুলিস ষ্টেসন, নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ), সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) অমসুং এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি) নচিংবা লৈরি। মখোয়নসু মখোয়না এনফোর্স তৌরিবা এক্ট/রুলশিং অদুগী মায়োক্তা লাকপা, শীংনদুনা থুগাইরকপশিংবু ফাবা পূনবদগী হেন্দোরক্তুনা প্রোজিক্যুট তৌবা ঙম্মী। অদুবু লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিংগী মনুংদা খরনা লো-এনফোর্স তৌবদমক ঙম্বা, খরনা প্রোজিক্যুট তৌবা ফাওবা ঙল্লগসু হায়রিবা এজেন্সী পূম্নমকশিং অসিনা কনাগুম্বা মীওই অমবু মরাল লৈরে হায়দুনা চৈরাক পীবদি ঙমদে। চৈরাক পীবদি কোর্টনা/ৱায়েলশঙনা তৌগদবনি।

অদুবু খ্বাইদগী লুরিবদি এক্ক্যুজদ্ অমবু প্রোজিক্যুট তৌবা ঙম্বা লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিংগী মনুং চল্লিবা সিভিল পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা ক্রাইম নৎত্রগা ওফেন্স অমগী কেসকী ইনভেষ্টিগেসন মতম চানা প্রপ-প্রপ পাঙথোক্তবা হায়বদি 'স্পিদি ইনভেষ্টিগেসন' ওইহন্দবা অদুগা লোগী মতুংইন্না ৱায়েল চথনবগীদমক মরী লৈনবা কোর্টতা কেসতুগী চার্জশীট মতম চানা থাগৎলক্তবগী তৌরোইদবা/তৌফম থোক্তবা/তৌহৈদবা থৌদোকশিং থোরকপা অসিনি। মসিগী খ্বাইদগী চুমদবা থৌদোকশিংনি হায়বসি চার্জশীট ফ্রেম তৌদুনা কোর্টতা সবমিট তৌরক্কদবা এজেন্সী অমগী মরী লৈনবা ওফিসলশিংগী মমিৎতা খুদোম্বী থিন্দুনা তাকপগী মথৌ তাহনফম থোকপ্রা হায়বগী ৱানি। শাথীবা/তমথীবা থৌদোকশিং থোরকহন্দনবগীদমক লৌখৎপা য়াবা থবকশিংগী মনুংদা থৌদোকশিং অদুগী মতুংদা লৌখৎপা কেসশিংগী ৱায়েল অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগা মরাল লৈরবশিং লোগী মতুং ইনবা চৈরাকশিং ফংহনবসু অমনি হায়বসি খঙদব্রা? খঙলবসু তঙাইফদনা দ্যুটি বাউন্দ ওইনা তৌগদবা থবকশিং থৌওইনা কোথোক্তুনা থৌদাদ্রিবা মখৈ/অকনবা ৱাহৈ খোন্দা হায়দ্রিবা মখৈ তৌদবা অসিবু ওইরকহল্লকফম থোকপা ফীভম্লা হায়বগী ৱানি। হৌজিক অসিগুম্বা মতম চানা ইনভেষ্টিগেসন তৌগদবদা তৌদবা, চাজশীট ফাইল তৌরক্কদবদা তৌদবা কেস ময়াম লৈ। অমা-অনী খক্তগী ৱাফম নত্তে। হোয় চার্জশীট ফ্রেম তৌবদা প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন লৌবগী তঙাইফদবা লৈবসু য়াওরমগনি, লৈতবসু য়াওরমগনি। অদুগা কেসতুগী এগজিবিট খরগী মতাংদা এক্সপর্ট ওপিনিয়ন লৌবগী মথৌ তাবসু লৈরম্বা য়াই। অদুবু পূম্নমকসি লৈরগসু কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলবা চহী ২ হেল্লবা ফাওবদা মরী লৈনবা কোর্টতা চার্জশীট য়ৌরকহনবা ঙমদবসিদি হৌনদে। মশাগী মথৌ মশক খঙদবগী থৌওংনি হায়বদা শাওফম থোক্কদ্রা?

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৮

১) **"খানিংপা হোঙনতে মিকোনপা হোঙনতে। খানিং মিকোল আমা তৈপাতি য়িয়ুবা চিঙখোঙ পোইরৈতোন মখুরোনপু কোনপানে।"** ৱাহৈ পরেং অনীসি করম্বা অরিবা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **"মণিপুরী রাস"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) মণিপুর মপানগী অইবী অমগী লাইরিকনি **"প্রলয়গী খূৎশোক্তা"** হায়বা লাইরিক অসি। লাইরিক অসিগী অইবীসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **"নিংশিংবগী মীহুৎথোঙদা"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?


৫) **"...মতম অসিদা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীমক কাছারদা লৈরি। ইংরেজগী মায়কৈদগী কেপ্তেন গ্রান্টনা ঔৱাশিংবু তাম্থোক্লবা মচিন মনাও অনীগী মতেং নীরবদা নরসিংনা ময়াম্বুং গম্ভীর সিংহগা তান্নরগা ঔৱাশিংগী মথক্তা লান্দাদুনা ঔৱাশিংবু মায়থীবা পীখিবগী মতাং অসিদগী হৌরদুনা গম্ভীর সিংহ অমসুং নরসিং অনীনা মণিপুরদগী ঔৱাশিং তাম্থোকখি।"** ইতিহাসকী মতাং অসি য়াওরিবা লাইরিক মচা অদু করি লাইরিকনো অমদি কনানা সম্পাদন তৌবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ইনাক খুল্লবা খুন্নাই

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



ইনে জানধবীগী হোটেলদা নহালদি বোরা অসি হাওইগা হাওতেগা, হাওইগা হাওতেগা হায়দুনা ফনা কুইনা অচাবা মশেল অৱাই অখুমগী মরৈ য়াম্না তৌনখি। ইনে জানধবীদি বোরা কাংহৌ চা তমগদবফাও কাউখি। ময়াদা কাং, হয়িং চঙবফাও কাউখি। নুমিদাংৱাইরমদা ইনেগী হোটেলদা মরী মরী লেপ্পা লৈতনা থোমজিন্নরকপা মীসি মখল মথেলদি শুরে। লৈকায়গী ইপল খোম্মৈদি হোরেল নুংদাংগী চাক চারমদাই অদু ফাওদি ময়ায় তাংবল লৌদুনা লৈগদৌরিবনি।

নহালগী ৱাহৌদা ইবোবীনা হায়, ইনে জানধোগী বোরা অসি থুম য়াম্না য়াকখ্রে অসিনি। ওইনাম মৈনোনা হায়বনা শুকয়াক য়াক্তে অসিদনি। মৈনমগী ইপু জয়কুমারনা হায়বনা থুম চপ চাইনা হায়বা অসিনি। লোইতাম চীংখৈনা হায়, হেরা নখোয়গী থুমগী ৱাদি তোক্লো, য়েংঙু থাও কারে শুকহাও হাওত্রে বোরাসি। খুরা ললাদি করি হাওতনি নখোয়গী নন্দোন্না হৌবা বোরাদগীদি নন্দোন জানধোগীসিনবু হাওই হায়। সেঞ্জম রঞ্জিৎনদি বোরাদি কারুম কারুম তৌবনা হাওই অমুক হায়। অমনা হায় ইনেগী বোরাসি মৈশুৎ নম্মী হায়। অমনা হায় ঐদি মৈশুৎ নম্বনা হাওই। সেখরচন্দ্রনা অমুক হায়, ঐঙোন্দদি করিম তৌদেনা ঐগী নাতোন অসে মনম অমত্তা ফাওদে। সোরাইসম রাকেশনদি ইমাইপেম্মা বোরাবু কয়াম হাওনেগে সি মঙাইনা হা হা হা নোকখৈ লোইনা নৱা লৌদে হায়রগা থৱায় তানা নোকচৈ। বোরাসে মৈতৈগী অশেংবা মিলদা শুম্বা অচাথাওনা হৌরদি সিদগী ধমা অমা হেন্না হাওনি হেক্তা হায় লৌসাম্বম ইনে রাধেনা। ঙাংবম গুনাধোরনদি বোরা অসে মহাও অমত্তা য়াওতে চগন্নে হায়। অমনা হায়বা অমনা তানদে। থরোইজম লেনিন হায়বা অহল অদুনদি মখোয় শমুমানা হৌবা বোরাদি ঐগ্যা গোপেশ্বরনা তমজনীংঙাইনি হায়। ইপল খোম্মৈগীনা অমনা হায়বসু নোকপা অমনা হায়বসু নোকপা... নোকপা নোকপা নোকপা। নোকনীংবা ওইগেরা, নোকনীংবা ওইরোইরা ইনোক্তা নোকপা মঙোন্দদি লোইনা হেক্তা নুংঙাইবীনি।

ফিলোসোফিগী ওজা মায়চৌ কুঞ্জোনদি হায়রৈ ময়াম য়েৎনবীয়ু য়েৎনবীয়ু লৈবাক মচা তানা। মাগীসু খঙজবী অমা লৈবা মাল্লি। ইপা ইতোলসা নখোয় ময়াম্না ঙাঙনরিবা শক্নরিবা ময়ামদো নশা নশাগী ৱাখলনি। অমনা ঙাঙবা ৱা অমদা চুমদবা য়াই। ৱাখলনা শাজিনবা মাগী মাগী লৈতোন্দা শৰূ পান্দবদগী থোক্লকপা কোক অমমম পানবদগী পুথোক্লরকপা ৱা লোইনমক লৌবা য়াবা চুম্বা য়াবা নত্তে হায়রকখি। নুংঙাইনবা ৱাখলনা শাগৎলগা অদুক ঙাঙনবনা ঙাঙনবনি মদুনা চৎনবা য়াবা অশেংবা ওইনা ঙাঙনবদি য়াবা নত্তে। মদুগীদমক ঐখোয় ফুনগদবসু নত্তে। মদুগীদমক ঐখোয় য়ৈনগদবসু নত্তে। অমনা হায়বা ৱাদু অতৈনা লোইনা ইল্লু হায়বা অসিদি টেররিষ্টকী থবকনি কায়না হেক্তা অরোইবীনি হায়নরক্লিসে। ঐনা ঐনা খনবনা চুম্বা, ঐনা ঐনা হায়বনা চুম্মী খনবা, ঐনা খল্লিবা ৱা অদু মী অতৈনসু চত্তবা য়াদে হায়বা অসি খরা লুরে।

ইপল খোম্মৈ মতাং অদুদদা ৱা ঙাঙলকখি, "ইবোসা চুম্মী মানা মানা খন্নবা ঙাঙনবা অসিনা ঙাক্তা চুম্বা য়াদে। লৈমিন্নরিবা অসি মী মখল শুরবনি। ঐখোয় লোইনমক্কী ৱা তাবা তাবনি। অমগীসু অমগীসু খুদোংচাদবা অদু খঙদনা মাগী মাগী ৱা অদু অতৈ অতৈ মীদসু চুম্মী খল্লু হায়দুনা গিৎ-গিৎ নমশিল্লবদি ফি শেম্নবা, খুদাং তাখৎনবা নত্তনা করিসু তৌনীংঙাই লৈতে। ঐখোয়না খল্লিবা, ঙাঙলিবা, উরিবা লোইনমক অসি মা মাগী ৱাখলনি মোতনি, চৎনবা য়াবদি খজিক্তনি। উপ্লিবা আনোক, বাইনোকুলরনচিংবগী মখা পোন্না তোঙান তোঙান্না উবা ঙাক্তনি। আনোক অঙাংবা উপ্লগা ঙাঙনা উগনি, আনোক অশংবা উপ্লগা শংনা উগনি, মী অমনা উবদু মী লোইনমক্লা মদুগা চপ মান্ননা উবা য়ারোই। ঐমক্লা পোকপা ইচা অহুমসিফাও ঐগা মোত অমত্তা মান্নবীয়ু য়াদে অদুনা মানা মানা হায়বনা চুম্মী হায়দুনা মুক্তুনা লোইনা লৈনবীগনু, খন্নবীয়ু, নৈনবীয়ু, করিসু লৈত্রবা বোরা মচা অসিগীদমক লৈত-লৈত হোৎনজরিবা হোটেল অসি মৈ চাকহনবীগনু"।

সোরাইশম রাকেশতা ওনশিল্লগা ইপল খোম্মৈনা ৱা মখা তাই, "মণিপুর অসি ইনাক খুনবা লৈবাকনি থাজবীবরা?" ময়ামদু থাজদে হায়বা য়াও, থাজৈ হায়বা য়াও করি করিনো মানা মানা থোকপা পংঙাঙদা ঙাঙনৈ। ইপলনা হায় য়েংঙু নহাসা, "পীক্লবসু পীক্লা লমদম অসিবু ইনাক খুলহল্লিবা মচাক মরলশিং অদুদি করিনো শম্না হায়রবদা বন্দ, ৱাকৎ মীফম, ৱাকৎ খোঙচৎ, ৱাকৎ খোল্লাউ, ৱাকৎ থোঙলোন, ৱাকৎ চেজাই, শেল চাবা, লম্বী শেম্বীদবা, থোং শাবা লোইশিন্দবা, নোংমৈ কাপ্নবা, বোম থল্লম্বা, মরৈ য়েৎনবা, ঐখোয় ইসেল হুন্নবা, মীবুসু শীধবা, ওইদবা ঙাঙবা, লোদ সেদ্দিং, অঙাং মচা রেপ তৌবা, মৌ মাঙখিবা, লৈশাবী হাত্তোকপা, পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং হুঞ্জেক্লম্বা, মৈ মম্বা রেষ্টুরেন্ট, স্কুল শেগাইবা, গাড়ী হুরানবা, দ্রগ চাবা, দ্রগ লল্লোনবা, গুলি য়োনবা, পোৎ মমল হেনগৎপা, থাও ব্লেক্তা করবার, পি দি এসকী পোৎলম হাইহৎপা করবার অসিনচিংবা ময়াম অসিনি। মসিগুম্বা ময়াম অসি ঐখোয়না তুংগী মীরোলগীদমক্তা থনমগদৌরিবনি। মসি অফবরা অচুম্বরা হায়না হংনরকপদা কনা অমনা ফৈ হায়না খল্লমগনি, নঙ ঐগুম্বা অমনদি ফত্তে অদুম হায়রক্কনি।" ইপল খোম্মৈগী ৱা তাবদা ময়াম তূমিন লৈনৈ।

মসিনি ঐখোয়না পুক্কে চোন্না মথংগী চারোল শুরোলদা শিন্নরমগদৌরিবা চৎনবী নাৎ হায়জবা তারে। মসি ঐখোয়না শুকশোয় শোয়দবীদা তুংগী মীরোলগীদমক থম্বীরম্নবগীদমক শেম শাবা পুমলোই লোইরবনি। হয়েংৱাই হৌরক ৱারী পাবা মতমদা তুংগী মীরোলনা কম্প্যুটর মমাঙদা লেম্না ফম্লগা ইন্টরনেট শম্লগা ওৎল-ওৎলগা নুংঙাইনা পাজগদৌরিবা অসে। কুনমাথোইশুবা চহী চাগী অহানবা মশুং অসিদা ইনাক ফনা য়াম্নদি খুল্লে হায় ঐখোয়গী খুন্নাই অসি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ ইন্দিয়ান এক্লাইফা # ৩৫৬

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



ইন্দিয়ান এক্লাইফা হায়রিবা পাম্বী অসি মালেমগী মফম কয়ামরুমদা গম্লা অমদি হৈকোল-লৈকোলশিংদা য়াম্না পাম্না থানবা লৈতেংগী পাম্বী অসিদা হীদাক্কী ওইবা মগুণশিং থোইদোক্লা শীংথানীংঙাই ওইনা য়াওই। ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ান নেট্টল (Indian nettle) নৎত্রগা ইন্দিয়ান কোপ্পরলিভ (Indian copperleaf) নৎত্রগা ইন্দিয়ান মর্কুরি (Indian mercury), হিন্দিদা খোলালি (Kholali) নৎত্রগা কুপীকোকো (Kuppikoko) নৎত্রগা কুপী (Kupi), বেঙ্গোলিদা বীরালহাঞ্চি (Biralhanchi) নৎত্রগা বীরালকান্দুনি (Biralkanduni), মলেসিয়াদা পোকোক কুশিং গালক (Pokok Kucing galak), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা এক্লাইফা ইন্দিকা (Acalypha indica L.) নৎত্রগা এক্লাইফা স্পিকাতা (Acalypha spicata Forssk.) নৎত্রগা এক্লাইফা দেসিদুৱা (Acalypha decidua Forssk.) নৎত্রগা এক্লাইফা চাইনেন্সিস (Acalypha Chinensis Benth.) নৎত্রগা রিসিনোকার্পস ইন্দিকস (Ricinocarpus indicus (L.) Kuntze) হায়না কৌই অমসুং য়ুফোর্বিয়েসী (Euphorbiaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - উচী-মৈ (এক্লাইফা হিসপিদা), কেগে পাম্বী - কেষ্টর প্লান্ট (রিসিন্স কোম্যুনিস), আৱা-কেগে পাম্বী ফিজিক নত্ (জাত্রোফা কুর্কাস), পাখং-লৈতোন পাম্বী (য়ুফোর্বিয়া হিরতা) অসিনচিংবনি। পাম্বী অসিগী জেনেরাগী ওইবা মমিং এক্লাইফা হায়বসি গ্রীক্কী ৱাহৈ একেলপে (Akelpe) হায়বগী অর্থদি পাম্বী অসিগী লৈশিং (ইনফ্লোরেসেন্স) অদু পায়বদা মরেং-মরেং চত্তুনা তুক্কচবা ফাওবা অদুগা স্পিসিসকী মমিং ইন্দিকা হায়বসিনা ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা অসিদগী থোনখিবনি।

ইন্দিয়ান এক্লাইফা হায়রিবা পাম্বী অসি চহী অমরোমতমক পুন্সিবা, মসা য়াম্না লোঙবা অমদি শংত্রিক শংবা মনা য়াম্না পানবা, ফুট ৪ ফাওবা ৱাংবা থোৎতক তৌবা পাম্বী অমনি। করিগুম্বা কান্দা পাম্বী অসি চহী খরা অদুমক পুন্সি। পাউদমশিংগী মতুংইন্না ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বী অসি ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবনি হায়না পীজরবসু পাম্বী অসি আফ্রিকা, খা থংবা চাইনাগী মফমশিং, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া, ফিলিপিন্স, ন্যু গিনি, বাংলাদেশ, নেপাল অমসুং পাকিষ্টান্দা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌজৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদসু ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বী অসি জিরিবামগী মফমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ হায়না সিনহানা কুমজা ১৯৯৬তা ফোঙখিবা মহাক্কী লাইরিক অদুদা পাউদমখি। ঙসিদি ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বী অসি অশাবা ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদা গার্দেন প্লান্ট অমা ওইনা পাক শন্না থান্নখ্রে। অদুবু পাম্বী অসি ৱীদ (Weed) হায়বদি হাজোংবা পাম্বী অমনি হায়না লৌনরি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বীদা য়াওবা মরু ওইবা ফাইটো-কম্পাউন্দশিং অদুদি - রেজীন (Resin), ফিনোলিক কম্পাউন্দস (Phenolic compounds), ফ্লেভোনোইদস (Flavonoids), এলকালোইদস (Alkaloids) অসিনচিংবনি।

ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বী অসিদা হীদাক লাংথক্কী ওইবা মগুণশিং থোইদোক্লা শীংথানীংঙাই ওইনা য়াওই। ইন্দিয়ান ফর্মাকোপিয়া (Indian Pharmacopoeia) গী মতুংইন্না ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বী অসি এজমা হায়না কৌনবা হরা-কংখুগী লায়না অমসুং ন্যুমোনিয়া হায়না কৌনবা অরুম লাইহৌগী লায়নাশিং অসিগী লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু মীওইবদা পীথকপদা ওথোকহনবা ঙম্বা মরম্না কনাগুম্বা মীওই অমা হু চেনবা পোৎশক অমা চারুরবা নৎত্রগা থক্লুরবদি শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথকপদা পূক্লুংদা লৈরিবা হু চেনবা পোৎশক অমসুং মহীশিং অদু খুদক্তা ওথোকহন্দুনা ফহনবা ঙমগনি। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু ঈশিংদা মহী লাংথোকহল্লগা পীথক্তুনা খোঙ হামথবা অমদি থিবোং-থিরিলদা তীল লৈবা অদুসু লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বী অমসুং জুমেলিয়া ফ্রেগ্রেন্স (Jumellea fragrans) কৌবা উরৈ মখল (Orchid) অসিগী মরাগা পূন্না শুগাইরগা শুমদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা ব্রোঙ্কাইটিস (Bronchitis) হায়রিবা শ্বর হোনবগা মরী লৈনবা লায়না অদু লায়েংনৈ। ইন্দিয়াগী ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বীগী নৌতক তৌবা মনা অমসুং মতোন অদু শুগাইরগা অফবা ঈশিংদা পুং ১-২ দং তীংলগা অকুঙবা ফি অমদা চুমথোক্লগা লৌবা মহী অদু মীৎতা চাং নাইনা দ্রোপ ওইনা হাপ্তুনা মীৎকী লায়না মখল খরা লায়েংনৈ। তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবা, অর্থ্রাইটিস হায়না খঙনবা লায়না অসিদা ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা শেম্বা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। মেগোত (Maggot) হায়নসু খঙনবা মীওইবা অমসুং শা-ষণদা পাৎতুনা হন চঙবা অদুদা ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বীগী অকংবা মনা অদু অচা-থুম খরা হাপ্লগা কুপ্না তকখাইরগা অশোকপা মফম অদুদা চাইশিন্দুনা লায়েংবগী পাউদমসু লৈ। হায়রিবা মকুপ অদু চাং নাইনা তৈবদসু ফুগ্রী মখল খরা কান্নহল্লি। কনাগুম্বা মীওই অমা অরুম লাইহৌ তৌরবদি ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বীগী মনা অদু খোনগুম্বা অমদা শুগাইরগা শুমদুনা লৌবা মহী অদুনা লাইবক্তা তৈবদা কান্নবা ফল ফংই হায়না পাউদল্লি। খোঙ-খূৎ লৈথেক্তুনা তোংশা কায়বা অমদি শিংলি-নাওরি থুপ্পদা ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বীগী অনৌবা মনা অমসুং মতোন অদু শুগাইরগা শেম্বা মোলোম অদু তৈবদা চৈনাখোল অদু মপূং ফানা হন্থহনবা ঙমগনি। পাউদম অমগী মতুংইন্না রুজেল ভাইপর (Rusell viper) হায়রিবা লিন অসিনা চিকপদা ইন্দিয়ান এক্লাইফা পাম্বীগী মনা অদু ঈশিংদা ফুৎলগা পীথকপদা হু অদু ময়াই চমহনবা ঙম্মী হায়বসিনি। ইন্দিয়ান এক্লাইফা অমসুং অতোপ্পা পাম্বী খরগা শেম্বা মোলোম অদু পামদবা শম (তুহাও) অদু লৌথোকপদা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। ●